ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



রিমসকী দর্মাটোলোজি দিপার্টমেন্টনা 'ৱর্ল্ড স্কিন হেল্থ দে' ২০২৫ পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা দিরেক্টর জি সুনিলকুমারনা দাইওদে লেজর ৱিথ ফোটো থেরাপি মেছিন শঙ্গাখিবা

থম্মোয় পাউদম : হিংবা অমসুং হিংমিন্নবা ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ সাইন্সনা য়েনবীগা য়েন্নমগা করম্বনা হানবগে ...
'নীঙাইসে' ফৃথরগা থেম্বদসু তোকখিবা য়াওই ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ কোংগ্রেস-বি জে পি হায়দুনা ওইদ-পাদবা ...
রোইটর্স য়াওনা একাউন্ট ২,৩৫৫ ব্লোক তৌনবা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ সাউথ এসিয়ান করাটে চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা...

মণিপুর ইন্টরনেশনল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা লাঙ্গোলগী ইমা লাঙ্গোল লাইব্রেরী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ত্রেদিশনেল ওইবা মওংদা উতোং ঙারি পুথোক্লবগী থৌরমদা এম পি বিমোলনা শরুক য়াখিবা



Vol. 49, Issue No. 099 | য়ুমশকৈশা, ইঙেনগী ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, July 09, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## মণিপুরদা 'এন আর সী' তৌগদবনি হায়রবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াদ্রি আই এল পি এসসু মমিং খক্তগী ওইনা চৎনহল্লোইদবনি : বিমোল



**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা লৈবাক অসিগা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশনচিংবা লৈবাকশিংদগী ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লক্লে হায়রদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা মণিপুরদসু নেশনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সী) তৌগদবনি হায়দুনা অকনবা দিমান্দ তৌরক্লবসু হৌজিক ফাওবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দিমান্দ অসিগী মতাংদা হোয়নি-মায়নি হায়দনা লৈরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মণিপুরদা এন আর সী তৌগদবনি হায়রবসু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ফাওবা য়ানীংদ্রি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুরদগী কুমজা ১৯৫১দা বেজ য়র ওইদুনা মীতোপশিং খন্দোক্কদবনি হায়বগী খোঙফমদা চেৎনা লেপ্পল্লিবা জোইন কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস) না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী অৱা চীংদা থল্লিবা 'য়েলহৌমীশিংগী খুভম' হায়দুনা খঙনরিবা মফমদা লমজিং মৈরাগী মিংথোল পীখ্রবা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ লৈখিদবগী ১০রক শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

এম পিনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক চৎনহল্লক্লিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসিসু মমিং খক্তগী ওইনা নত্তবা রুলগী মতুংইন্না য়াম্না ফজবা সিষ্টম অমদা চৎনহনগদবনি। অদুগা মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা ষ্টেট অসিগী 'দেমোগ্রাফি' দা পীরক্লিবা থ্রেট অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল মাইন্ডএজ লৌবগী ৱাহন্থোক লৈতে। লিনসু শিদনবা, চৈশুসু তেক্তনবা থবক পাঙথোক্কদবনি।

মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহল্লবসু সিষ্টম অসিগী মরু ওইরিবা গ্রাউন্দদা করিসু তৌদ্রে হায়নরক্লিবসিগী মতাংদা থিজিনবা চুমগনি। মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং মতৌ করম্না রেগ্যুলেট তৌগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাকপু এন্টি ৱার্কর, এন্টি ফার্মরনি হায়দুনা ঙসি চঙশিনগদবা 'ভারত বন্দ'

## সেক্টর কয়াগী ৱার্কর ক্রোর ২৫ হেনবনা শরুক য়াগদৌরি মণিপুরগী হায়ৱে ২ দনা দ্রাইভরশিংনা গাড়ী থৌরোইদৌরি

ওল মণিপুর বেঙ্ক এমপ্লোয়ীজ এসোসিএশননা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০দগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী হেদ ওফিসতা পূন্দুনা জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজংদা শরুক য়াগদৌরি




**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** লেবর কোদ ৪ লৌথোকউ, ঈ পি এফ পেন্সনগী শেনফম হেনগৎহল্লু, অরিবা পেন্সন স্কিম চৎনহল্লু, শিন্মী অমগী থাগী খুৎশুমল লিশীং ২৬ পীগদবনি অমসুং প্রাইভেটাইজেশন লেপ্পু হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা সেন্ত্রেল ত্রেদ য়ুনিয়ন ১০ পূনশিন্দুনা শেম্বা জোইন্ট ফোরম অমনা হয়েং লৈবাক শিনবা থুংনা চঙশিনগদৌরিবা 'ভারত বন্দ' দা লৈবাক অসিগী বেঙ্কিং, ইন্সুরেন্স, পোষ্টেল সর্ভিসেস, কোল মাইনিং অমসুং অতোপ্পা সেক্টরশিংদা শিন্মী ওইরিবা মীওই ক্রোর ২৫ হেনবনা শরুক য়াগনি হায়রি।

মরম অসিনা হয়েংগী ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা বেঙ্ককী থবক থৌরমশিং, পোষ্টেল সর্ভিস, কোল মাইনিং, ফেক্টরিশিং অমসুং ষ্টেটশিংনা চলাইবা ট্রান্সপোর্টকী থবক থৌরমশিং, লৌমী অমসুং খুঙ্গংগী শিন্মীশিংগী থবকশিংদা অকায়বা পীরগনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী ফোর্মেল অমসুং ইনফোর্মেল সেক্টরশিংদা লৈবা শিন্মীশিংনা থা কয়া চূপ্পা থৌরাং তৌরক্লবা মতুংদা হয়েংগী নেশনৱাইদ জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি চঙশিনগদবনি হায়না ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## উখ্রুলগী লৌমী ১/১না ফংগদবা লুপা লিশীং ৫০গী লোনগী শেনফম লৌমী ১,২১১গী ওইনা নারোন্দা লৌথোক্লক্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী লৌমী ১,২১১গী মনুংদা ইন্দষ্ট্রিএল দিভেলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আই দি বি আই) দগী লৌমী লিশীং অমগী কিষান ক্রেদিট কার্দকী মখাদা লোন ওইনা লুপা লিশীং ৫০/৫০ ফংজগদবা অমসুং কনাড়া বেঙ্কতগীনা লৌমী ২১১গী ওইনা লৌমী অমমমদা লুপা লিশীং ৫০/৫০ ফংজগদবদা কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী তাঙ্খুল হুন্দুং খুল্লেন্দগী সোমি অউংসি কৌবা মীওই অমনা লুচিংবা খূৎপুনা লৌমী মশা মশাদা খঙহল্লমদনা শেমজিন শাজিনবা মমিংশিং হাপচিন্দুনা য়াল্লবা শেনফম লৌথোক্লক্লে হায়রি।



থৌদোক অসিগী মায়োক্তা ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা খুল ৩৪দগী লাকপা য়াল্লবা লৌমীশিংনা উখ্রুল টাউন হোলদগী হৌরদুনা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী এস পিগী ওফিস ফাওবা লাক্তুনা সোমি অউংসি হায়রিবা মীওই অসিগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপীনবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অদু থৌদোক অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা খোঙচৎ চৎতুনা লাকখিবা য়াল্লবা লৌমীশিংনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ত পুলিসকী এদিশনেল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ঙসিগী নেশনৱাইদ জেনরেল ষ্ট্রাইক

## মণিপুরগীদি শিন্থা লেপ্তনা সিম্বোলিক ওইনা তৌবীয়ু : লাইশ্রম সরত

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** সেন্ত্রেল ত্রেদ য়ুনিয়নশিংনা খূৎশম্নদুনা হয়েং লৈবাক শিনবা থুংনা চঙশিনগদৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজংদা ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীজ ফেদরেশন, মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেশন অমদি মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়ন অমসুং ৱার্করস য়ুনিয়নশিংনা শরুক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭




## এয়রপোর্টতা আই এল পিগী দিজিটেল প্রোসেস হৌদোক্লবা চীফ সেক্রেটরিনা য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস) না মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহন্নবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মহয় ওইনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অয়াবা পীরকপদগী সিষ্টম অসি চৎনবা হৌরকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা মীওইশিংগী মরু ওইবা থুংফম অমা ওইরিবা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা দিজিটেল সিষ্টমদা ইন্নর লাইন পর্মিটকী রেজিষ্ট্রেশন তৌনবা অমসুং পর্মিট পীবগী থবক হৌননবা ঙসি চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহনা এয়রপোর্টতা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে হায়রি।



সিষ্টম অসিগীদমক মতম খরগী মমাঙদগী এয়রপোর্ট অসিদা অনৌবা আই এল পিগী কিওস্ক সিষ্টমগী মেছিন অমা থমখ্রবনি। মেছিন অসিনা তৌগদবা থবকশিং ঙসি চীফ সেক্রেটরিনা এয়রপোর্টকী দিরেক্টরগা লোয়ননা য়েংশিনমিন্নখিবনি।

### এক্টিভ কেস ৪১

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা কোভিদ-১৯ মায়োক্নরিবা মরী লৈনবা লোয়শঙগী ওফিশল অহুম্না ঙসি থোরকপা ষ্টেটস অপদেটকী মতুংইন্না ঙসি অনৌবা পোজিটিভ কেস ২ থেংনদুনা অপূনবা মশীং ৩০৪ শুরবসু এক্টিভ কেস ৪১ খক্তা ঙাইরে হায়রি।

### এক্সিদেন্টদা নুপী অমা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ হেল্লকপদা মোইরাং পি এসনা কোল্লিবা নরানসৈনাগী টিদ্দিম লম্বী পরিংদা খোঙনা চৎপী মফম অদুদগী শামুলাইলাৎপম মনিতোম্বী (৫৫), মপুরোইবা এস শ্যাম কৌবী নুপী অমা মোইরাংলোমদগী ইম্ফাল তম্না কন্না থৌরকপা অঙাংবা মচুগী কার অমনা থোল্লম্বদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুরদা থেংনবা দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস ৭৫ শুরে, ১ লৈখিদ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী দেঙ্গি হায়রগা খঙনবা কাংনা চিকপদগী থোকহল্লকপা লায়না অসিগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং লৈরকপগুম মণিপুরদসু ঙসি ফাওবদা থেংনবা দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস মশীং ৭৫ শুরে অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমগী পূন্সি মাঙহনখ্রে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসর ডা. প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওইশিংগী মশীং অমদি মীওই অমগী পূন্সি মাঙহনখ্রে হায়না সোশল মীদিয়াগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা ফোঙদোক্নরকপদগী পাউচে অসিনা ঙসি নুমিদাং ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসর অসিগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী ওইনসু ষ্টেট অয়াম্বদা হৌজিক দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেসশিং লৈরি অদুগা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা লায়না অসিগী থেংনবা পোজিটিভ কেসকী মশীংনা ৭৫ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### বোদি সর্চ তৌবগী ৱাথোক

## অথুবা মতমদা ইনক্বারি লোইশিনবীয়ু : মুসু




**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** এম য়ুদা মহৈরোয় খরদগী লাকখিবা ৱাকৎ অমসুং ঙরাং থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু), ২০২৪-২৫গী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম সুরজনা পাউগী মীফম অমদা নুপী মহৈরোয়শিংদা বোদি সর্চ তৌখি হায়বগী মতাংদা ৱাফম খরা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, থা অসিগী ৪দা এম য়ুনা লৌবা বিএদ এগজামিনেশন হৌখি। মহৈরোয়শিংনা এগজামিনেশন অসিদা শরুক য়ারিঙৈদা ফ্লয়িং স্কাদ ওইনা ওজা নুপী ১, নুপা ২ পূন্না ৩ লাকখি। মখোয়গী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পুলিসতা 'ফিজিকেল এসোল্ট' তৌবদা চেন্নবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীওই ৬ ফারে : পুলিস

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা মমাঙ থাগী ৯দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা চথখিবা বন্দ মনুংদা মণিপুর পুলিসকী ওফিসর অমসুং পর্সনেলশিংদা 'ফিজিকেল এসোল্ট' তৌবদা চেন্নবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীওই তরুক ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী গোবিন্দগ্রাম অৱাং লৈকায়দগী লাইশ্রম সনাহল এলিয়জ সনা (২৬), লাইশ্রম রিসিকান্ত (২০), লাইশ্রম প্রেমচান্দ এলিয়জ কন্দ্রং (১৮), বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী তেরাখোংশাংবী ৱার্দ নম্বর ২দগী কাঙবম নোংদম্বা (২৩), ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চল্লিবা কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দগী সরাংথেম রবিচন্দ্র এলিয়জ রবি (২৮) অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী লৌরেম্বম মনীং লৈকায়দগী য়ুম্নাম জসৱন্ট (২২) নি হায়রি।

### কোংগ্রেস-বি জে পি হায়দুনা ওইদ-পাদবা ঙাঙদুনা লৈরগা আই দি পিশিংবু হোংজিনবা য়ারবা মফমদসু হোংজিনহন্দ্রিবসি করি লীলা শান্নরিবনো : বিমোল

(মরীক চুম্বা পাউ লমায় ৬তা)

### কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি ৪ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা উৎলৌ এরিয়াদগী কে সী পি-পি দব্লিয়ু জিগী এক্টিভ কাদর অনী ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি ইম্ফাল ইষ্টকী উয়ুম্পোক মনীং লৈকায়দগী লাইতোঞ্জম রামাকান্ত এলিয়জ বোথে (৩৪) অমসুং তেংদোংয়ান ময়ায় লৈকায়দগী থোঙাম হেরোজিৎ (৩৮) নি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়বদা রামাকান্ত অসি লালহৌলূপ অসিগী সেক্সন কম্মান্দরনি অমসুং মহাক্কী মখাদা কাদর ১৫ লৈরি হায়রদুনা মখোয়বুসু ফাননবা হোৎনরি হায়রি।

অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### পোকপা কুইদ্রিবা নুপীমচা ১ থল্লক্লে



**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):** পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং নুপীমচা অমা দ্যুলালেন্দদা লৈবা এম এম কে এস চিলদ্রেন হোমগী মপান্দা থম্বা 'ক্রেদল পোইন্ট' দা থল্লম্বদগী থা অসিগী ২গী নুংথিল পুং ২.৩৯ রোম তারকপদা থেংনরে। অঙাং অসি হৌজিক জেনিমসতা মেদিকেল ক্যের ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## বাংলাদেশতগী হোংলক্তুনা ইফূরুপচাশিংগা লৈমিন্নবদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইজখিবদু হৌজিক্তি লান মায়োক্লবদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরে

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
সেরৌদগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)** বাংলাদেশতগী লাক্তুনা সেরৌদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা মতুংদা কাঙলুপ মশেলগী তমথীরবা লান মায়োক্নরকপদগী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী মশাগী চহী ৭১শুরবী নাওসেকপম ফজতোম্বীনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্পতা লৈবদসু ঈশিং ঈচাও মায়োক্নরকপদগী য়াম্না ৱাবা হায়বদু ওইখি। মীয়াম্না ঐখোয়বু নুংশিবীদুনা অরৈ-অরৈবা মতেং তৌবীরকখি অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মতেং পাংবা লাকখি। অদুবু মখোয়না মতেং পাংবীরি হায়দুনা অদুমক লৈবদি য়াদবনিনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা শীজিন্নবা শেল-থুমদি থোকফম লৈতবনিনা লৈঙাক্না পীরকপা ঙাইদুনা লৈবদা মীওইবা অমা ওইনা হিংবদদি লাইবক য়াম্না থীবা হায়বদু ওইরে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংবীরবসু মতম চানা পীফম থোকপশিং পীবিবসু নত্তে। মরম অসিনা চহী য়ামশিল্লক্তুনা অহল ওইশিল্লক্লবা ঐখোয়দদি অমুক্তা হেন্না অৱাবা মায়োক্লে।

ইশাগী অনাবা লৈরকপদগী ওপরেশন তৌখিবদুসু ইশাগী লৈজবা শেল খরগা লৈঙাক্না পীবিবা হেল্থ কার্দ শীজিন্নদুনা তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক থোক্লিবা লান অসিদা অৱাবা মায়োক্নরিবা ঐখোয়দদি শেল চঙফম ঙাক্তনি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঐখোয়গীদমক কায়থরকপা শেলশিং মরক্তা হাইহৎপীদনা ঐখোয়গী খূৎতা য়ৌহনবীরকপা পাম্মী হায়রকখি।

লান অসিগী মতাংদা করি হায়নীংবা লৈবগে হায়না পাউচে অসিনা হংলুবদা নাওসেকপম ফজতোম্বীনা হায়, ঐহাক্না খনবদা লান অসিগী

### মণিপুর অমসুং মীতৈ কনগে হায়রবদি ইশাগী চৎন-কাঙলোন খঙগদবনি

ৱারোইশিন পুরকপদা মতম খরা চঙখিগনি। মরমদি হৌজিক্কী হৌগৎলক্লিবা নহাশিং অসি য়াওনা তুংদা লৈহৌগদবা মীরোলশিংগী মীওইশিংনা লমচৎ-শাজৎ কান্নকপা কয়ানা ঐখোয় ইশাগী আইদেন্টিটি মশক খঙলক্তবা হৌরক্লে। মরম অসিনা মীতোপ্পা ঐখোয়বু য়াম্না লায়না শান্নবা ঙল্লকপনি। নহাশিংনা ইরৈবাক ইরমদম অসিবু ঙাক্তুনা কনগে অমসুং মীতৈ ফূরুপ অসিবু মূত্তনবা হোৎনগে হায়রবদি তঙাইফদনা ইশা-ইশাগী চৎন-কাঙলোন, লাইনীং-লাইশোন অমসুং চাকচা-য়ুথক নীংথিজনা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রকখি।

### খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মপাউ-১০

## পোৎফম ফম্লগা মী ৫/৬কী পুকচাক পুরিবনি, নে তানা ফমহনবীয়ু



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস) :** হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎফম ফল্লিবীশিং ৱাদবা য়াওদ্রে, লোইনা ৱানরে। পোৎ শিত্তবগী মথক্তা নুমিৎ ২/৩নি খূৎলামখাং কৌদবা য়াওরে। অদুবু পোৎফম ফল্লিবী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### চহী ১৬কী লৈশাবী মচা অমদা কাতুক-কারল তৌরুবা অহল ১ কোর্টনা পোক্সো এক্টকী মখাদা ফাদোক পীরে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস):** থৌদোক থোকখিবা মতমদা মশাগী চহী ৫৮ খক্তমক ঙাইরবসু ঙসি ৱায়েল চথরকপা কেসকী জজমেন্ট লাউথোকপদা মশাগী চহী ৬৩শুরবা শীংজমৈ থোকচোম লৈকায়দগী খোইস্নাম ইবোহল অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ওমোর কৌবা অহল অমা লম্ফেলদা লৈবা ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেশল কোর্ট নম্বর ২, মণিপুরগী জজ দব্লিয়ু তোনেন মৈতৈগী কোর্টনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট-২০১২গী সেক্সন ১২গী মখাদা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

থৌদোক অসি ফাদোক পীরবা খোইস্নাম ইবোহলগী য়ুমগী অশানবা কাদা লৈরবী থৌদোক থোকখিবা মতমদুদা মশাগী চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিবী লৈশাবী মচা অমদা থোকখিবনি।

ঙসি ফাষ্ট ত্রেক্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫